

# ২০২১গী ওস্কার বেষ্ট এক্টর তাখ্রবা এন্থোনি হোপকিন্স



চহী খ্বাইদগী য়াম্লবা অমনা ওস্কার এৱার্দ ফংবা হায়বসি পাক পাক থেংনদে। অদুবু হন্দক ২০২১দা ওস্কার বেষ্ট এক্টরগী মনা ফংলবা মীশক অসিদি মশাগী চহী ৮৩ শুরে। য়াম্না অহল ওইরে। মহাক ১৯৩৭গী দিসেম্বর ৩১দা পোকখি। মহাক এক্টর অমা ওইবতা নত্তনা পেন্টর, ম্যুজিক কম্পোজর, দিরেক্টর অমদি প্রদ্যুসরসু ওই। চহী খ্বাইদগী য়াম্না মপুং ফাবা লিদিং রোল অমা ফিল্মদা কুম্বা হায়বসি মহাক মথন্তনি। হন্দক মহাক্না ওস্কার বেষ্ট এক্টরগী মনা ফংলিবা ফিল্ম "দি ফাদর" হায়বা ফিল্ম অসিনা হৌজিক ফাওবগীদি মালেমগী ওইনা রেকোর্দ ওইরিবনি। মপুং ফাবা মিংদি ফিলিপ এন্থোনি হোপকিন্স কৌই। অদুবু ফিল্মদা এন্থোনি হোপকিন্স হায়না অদুম খঙনৈ। আর্টকী লম অসিদা য়াম্না এক্টিভ ওইনা হৌরকখিবসি ১৯৬০দগী হৌজিক ফাওবা অসিনি। ওস্কার এৱার্দ অনী, বি এ এফ টি এ এৱার্দ মরি, ইম্মিস এৱার্দ অনী, বৃটিশ একাদেমী টেলিভিজন এৱার্দ অমা অমদি বৃটিশ একাদেমী ওফ ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন এৱার্দসনা ২০০৮দা লান্থোকখিবা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ অসি য়াওরগা এৱার্দ মশীং নাইদনা ফংলবা এক্টর/দিরেক্টর/প্রদ্যুসর/কম্পোজর/পেন্টর অমনি। একাদেমী এৱার্দকীদমক নোমিনেসন মরি অমসু চঙখি মদুদি- দি রিমেইন্স ওফ দি দে (১৯৯৩), নিক্সোন (১৯৯৫), এমিষ্টেদ (১৯৯৭) এন্দ দি টু পোপ্স (২০১৯)। ফিল্মশিং অসি বেষ্ট এক্টরগী নোমিনেসন চঙখি অদুবু এৱার্দ ওন্থোকপদি ঙমখিদে। তৌবগীদি নোমিনেসন চঙলবা হায়বসি য়াম্না মাঙজিন থারবনি অমদি মায় পাক্লবনি হায়বসিদি লোয়নমক্না খন্নে।

মশাগী চহী ১৫ শুরকপা, কুমজা ১৯৫৭দা রোয়েল ৱেল্স কোলেজ ওফ ম্যুজিক এন্দ দ্রামা হায়বা অসিদগী গ্রেজ্যুএসন লোইখি। মসিগী মতুংদা অমুক হন্না রোয়েল একাদেমী ওফ দ্রামাটিক আর্ট, লন্দনদা ট্রেন তৌরকখি। অহানবদা মহাক অপীকপা ঠিএটর গ্রুপ অমা ওইনা লৈবা পেলেস ঠিএটর হায়বা অদুদা য়াওদুনা ষ্টেজ প্লে কুম্বা হৌরকখি। মহাক্কী ইহান হানবা ষ্টেজ প্লেদি- **হেভ এ সিগরেট** হায়বা অসিনি। মহাকপু মমিং লৈরবা ঠিএটর গ্রুপ অমা ওইরিবা রোয়েল নেসনল ঠিএটরনা ১৯৬৫তা ইনভাইট তৌরক্তুনা প্লে কুম্বা হৌখি। মদুদা মহাক্না খ্বাইদগী পামজবা ৱিল্লিয়ম সেক্সপিয়রগী প্লে "কিং লিয়র"দা লিয়র শাখি। মহাক্কী অরোইবা ষ্টেজ প্লেদি ১৯৮৯দা কুমখিবা ৱেষ্ট এন্দ প্রদক্সনগী "এম বট্টরফ্লাই" হায়বা অসিনা ওইরি। ফিল্মগী লাইনদদি মহাক ১৯৭০দগী চঙলকখিবনি। মহাক্কী ফিল্ম ৫ মতম অমা গান্ধী ফিল্মদা গান্ধী শাখিবা রিচার্দ এট্টেনবোরোহনা দিরেক্সন পীখি। রিচার্দনা মহাক অসি মহাক্কী মতমগী ওইনা "দি গ্রেটেষ্ট এক্টর ওফ হিজ জেনরেসন" হায়না শীংথাখি। ইহান হানবা ওইনা ১৯৯১দা "দি সাইলেন্স ওফ দি লেম্বস" হায়বা ফিল্ম অদুদা একাদেমী এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্টরগী মনা ফংবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা একাদেমী এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্সন ইন এ লিদিং রোলগী মনানা হন্দক ২০২১দা 'দি ফাদর' হায়রিবা ফিল্ম অসিদা ফংলিবা অসিনি। মহাক্না কুমখিবা মমিং লৈরবা ফিল্ম খরগী মমিংদি- দি ইলেফেন্ট মেন (১৯৮০), ৮৪ চারিং ক্রোস রোদ (১৯৮৭), হোৱার্দস এন্দ (১৯৯২), ব্রাম ষ্টোকর'স দ্রাকুলা (১৯৯২), শাদোলেন্দস (১৯৯৩), লিজেন্দস ওফ দি ফোল (১৯৯৪), মীট জো ব্লেক (১৯৯৮), দি মাস্ক ওফ জোরো (১৯৯৮), থোর (২০১১), থোর: দি দার্ক ৱর্ল্ড (২০১৩), ট্রান্সফোর্মরস: দি লাষ্ট নাইট (২০১৭), অমদি থোর: রাগনারোক (২০১৭)। এন্থোনি হোপকিন্স বি বি সীগী টেলিভিজন সেরিজদা ১৯৬৭দা য়াওরকপদুনা ১৯৭৩দা **ৱার এন্দ পিচ** হায়বা অসিদা বেষ্ট এক্টরগী মনা ফংবা ঙমখি। ২০১৫দা বি বি সীগী ফিল্ম **দি দ্রেসর, কিং ল্যর**-দা কুমখি। অদুগা ঐচ বি ও টেলিভিজন সেরিজগী **ৱেষ্টৱর্ল্ড** হায়বা অসিদসু কুমখি।

এন্থোনি হোপকিন্স ১৯৮৩দগী হৌনা দি মিরর ঠিএটর লিমিটেদ হায়বা রিপর্টরি কম্পেনি অমগী মেম্বর ওইবা হৌরকখি। ঠিএটরদা খ্বাইদগী মমিং চৎপা এক্টর অমা ওইরকই। ঠিএটর কুমদুনা শেল তান্দুনা ময়ুম পুনবা হোনরকই। মহাক্না কুমখিবা ঠিএটরগী মমিং লৈরবা প্লে খরদি- **প্রভদা, দি বৌন্টি, ঐচ এম এস বৌন্টি, কিং ল্যর** নচিংবা শেক্সপিয়রগী প্লে কয়া অসিনি। মহাক্কী ঠিএটর পর্ফোর্মেন্স কয়া অদুনা মরম ওইদুনা ফিল্ম কুম্নবগী লম্বী ফাৎপসু হৌখিবনি। মমিং লৈরবা এক্টর/দিরেক্টর মেল গীবসনগা লোয়ননা মহাক ফিল্ম কয়া অমদসু শরুক য়ারকখি। ফিল্মদা লাকপা মতমদদি মহাক অহানবদা ভিলিয়নগী রোল লৌরকই। মদুদা মীয়ামগী এপ্রিসিএসন নীংথিনা ফংখি। **দি সাইলেন্স ওফ দি লেম্বস** হায়বা ফিল্ম অসিদা মহাক সেরিএল কিল্লর হন্নিবাল লেক্টরগী রোলদা কুমখি। রোল অসিদা হোপকিন্স অসি মালেমগী ওইনা **নম্বর ৱান ফিল্ম ভিল্লিয়ন** অমনি হায়না এ এফ আইনা লেবেল্ড তৌখি। ফিল্ম অসিগী রোল অসি কুম্নবগীদমক দিরেক্টর জোনাথন দেম্মেনা বৃটিশ এক্টর অমা পামখিবনি। মদুদা ফিল্মসিদা লিদ রোল কুপ্লিবী জোদি ফোষ্টরনা এন্থোনি হোপকিন্সবু দিরেক্টর জোনাথনদা শেক্সপিয়রিয়ন প্লেগী



মোন্সতর অমনি, মহাক্না খ্বাইদগী রোল অসি চুশিন্নগনি হায়না ইন্ট্রোদ্যুস তৌখিবনি। ফিল্ম অসিদা একাদেমী এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্টর (১৯৯১)দা ফংবা ঙমখি। ফিল্ম অসিমক্তদা মহাক্কা পাদুনা কুম্মিন্নখিবা জোদাই ফোষ্টরসু একাদেমী বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনা ফংখিবনি। মসিদা নত্তনা ফিল্ম অসিমক্না বেষ্ট পিকচর, বেষ্ট দিরেক্টর, বেষ্ট এদাপ্টেদ স্ক্রিনপ্লেগী একাদেমী এৱার্দসু ফংখি। লোয়ননা ফিল্ম অসিমক্তদা বাফ্টা বেষ্ট এক্টরসু হোপকিন্সনা লৌখি। লোয়ননা **হন্নিবাল (২০০১)** অমদি **রেদ দ্রাগোন (২০০২)** হায়রিবা ফিল্ম অনী অসিদসু বাফ্টা ফোর বেষ্ট এক্টরগী মনা থংন-থংননা এন্থোনি হোপকিন্সনা লৌখি। বৃটিশ ফিল্ম একাদেমীগী খ্বাইদগী ৱাংবা এৱার্দ অমা ওইরিবা বাফ্টা একাদেমী ফেল্লোশিপ এৱার্দ অসি ২০০৮দা এন্থোনি হোপকিন্সদা মহাক্না ফিল্ম অমদি ঠিএটরদা তৌরিবা কন্ট্রিব্যুসন/এচিভমেন্ট কয়া অসি য়েংলগা পীখি।

হন্দক মশাগী চহী ৮৩ শুরবা মতমদা অসিগুম্বা ওস্কার এৱার্দ অমা ফংগনি হায়বসি মহাক মঙ ওইনফাওবা মঙলুদে। অদুগীসু মথক্তা এৱার্দ অসি য়েন্থোকপা মতমদা মহাক এট্টেন্দ তৌখিদে, মরমদি মহাক্কী হেল্থকী কন্দিসন অমদি মশাদা থাজদবা ফাওবা অদুনা মহাক মাগী ময়ুম ৱেলসতা লৈখি। এৱার্দ অসি ফংবা মতমদা মহাক্না সোসল মীদিয়াদা থাদোরকখি- *"হিয়র আই এম ইন মাই হোমলেন্দ ইন ৱেলস। এন্দ এট ৮৩ য়রস ওফ এজ, আই দিদ নোট এক্সপেক্ট টু গেট দিস এৱার্দ। আই রিএল্লি দিদ নোট এন্দ এম ভেরি গ্রেটফুল টু দি একাদেমী এন্দ থেঙ্ক য়ু।"*

এন্থোনি হোপকিন্স অসি মহাক্কী রোল অমা প্রিপরেসন তৌবদা চঙখোনবগীদমক থোইদোক্লা মমিং চৎলি, অমদি মীয়াম্না খঙনৈ। মহাক্না অনৌবা প্রোজেক্ট অমগী অয়াবা হেক পীখিবগা মহাক্কী অনৌবা রোল অদুদা কন্সেন্ট্রেসন তৌবা হৌখ্রগনি। রোল অদুগী রিহার্সেল তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক মতম কয়া অমা চঙনা লাইনশিং অদু প্রিপরেসন তৌগনি। চাউরাক্না ২০০ টাইমস হেন্না নৎত্রগা মহাক মশানা হেক পেন্দ্রিবা ফাওবা য়াম্না চেকশিন্না লাইনশিং অদু দিসেক্ট তৌদুনা হন্না হন্না হায়রবা মতুংদা রিহার্সেলগী মতম লেপ্লক্কনি। মদু নৎত্রিবা ফাওবা মহাক মপান থোক্লোই। কেরেক্টর অদুগী মরমদা রিছার্স তৌফম থোকপা অমদি মদুগী মরমদা কুপ্না থিগৎপা লোইরবা মতুংদা লাইনশিং অদুগা মহাক্না শাগদৌরিবা রোল অদুগা কয়া য়াম্না চুশিন্ননা নেচরেল ওফ সাউন্দ অমা মহাক্না ক্রিএট তৌবা ঙম্লবরা হায়বদু য়েংগনি। মসিনি মহাক্কী তোপ তোপ্পা অমা হায়বা তারবদি। অদুনা মহাক্না সিটতা এক্টিং তৌরকপা মতমদা "দু ইট ৱিথদাউট থিঙ্কিং" হায়বা অদু পোপ লাউনা তারকপা ঙস্মী। মহাক্কী এক্টিং ষ্টাইল অমদি দাইলোগ দিলিভরিগী মতাংদা, এক্টর অমনা করম্না প্রক্টিস তৌবগে হায়বা অদুগী মতাংদা মীদিয়া ইন্টর্ভিয়ু অমদা মহাক্না হায়খিবা ৱাফম খরা, নৌনা হৌরক্লিবা লমদম অসিগী এক্টরশিংদসু য়াম্না কান্নগনি হায়না খন্দুনা পুশিঙ্গরক্লি। এন্থোনি হোপকিন্স মায়কৈ কয়াদগী ঐখোয়না য়েংবা য়াবা এক্টর/দিরেক্টর/ম্যুজিক কম্পোজর/রাইটর অমনি। মহাক্কী মশাদা মতম চুপ্পদা অতোপ্পা ৱাখল অমত্তা খন্দনা মহাক্কী চৎথরিবা আর্টকী লম্বী অসিদগী হেন্দোক্তুনা অতোপ্পা অমত্তা খন্দবা মীশক অমনি। মহাক্কী এক্টিং ষ্টাইল অসিসু মহাক্কী ফিল্ম অনী অহুম য়েংবদা উবা ফংগনি। হোল্লিৱুদ ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা ২০০৩দা মহাক্কী থোইদোক হেন্দোকপা এক্টিংগী ষ্টাইল কয়া অদুগীদমক আউটষ্টেন্দিং এচিভমেন্ট ইন এক্টিং (মেল পর্ফোর্মেন্স) হায়বা এৱার্দ অসি **দি হ্যুমেন ষ্টাইন** হায়বা ফিল্ম অদুদা ফংবা ঙমখি। ১৯৮৮দা য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱেলসনা মহাকপু ওনরেরি দি. লিট্ট দিগ্রী অদুগা ১৯৯২দনা ওনরেরি ফেল্লোশিপ এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুম্নখি। ওস্কার এৱার্দকীদমক নোমিনেসন তরুক্লক ফংবগী মনুংদা অনীদি এৱার্দ ওইনা ওন্থোকপা ঙমখি। মদুদি- ১৯৯২দা **দি সাইলেন্স ওফ দি লেম্বস** অদুগা ২০২১ দা **দি ফাদর** হায়বা অসিদনি। দি ফাদর হায়বা ফিল্ম অসিদা এন্থোনি হোপকিন্সনচিংবা শাথীনা দিমেন্সিয়ানা নারবা ফাদর অমা শাই। মহাক্না মহাক্কী খোঙউপ, খুদাংদা শিবা ঘড়ী, অমদি য়ুমগী পোৎ-চৈ কদায়দা থমখি, লৈরি হায়বা ফাওবা হেক হেক কাওবা শাথিখ্রবা য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইবা কেরেক্টর অমা শাখি। বৃটিশ একাদেমী ফিল্ম এৱার্দ নোমিনেসন ৭ চঙবগী মনুংদা ৩দি এৱার্দ ওইনা ওন্থোকপা ঙমখি- দি সাইলেন্স ওফ দি লেম্বস (১৯৯২), দি রিমাইন্স ওফ দি দে (১৯৯৪), দি ফাদর (২০২১) অমদি বি এ এফ টি এ ফেল্লোশিপ (২০০৮) অসিনি। বৃটিশ একাদেমী টেলিভিজন এৱার্দ অমসু **ৱার এন্দ পিচ (১৯৯২)** হায়বা অদুদা ফংখি। ইম্মি এৱার্দকী ওইনা নোমিনেসন ৫ চঙবদা ২ অমদি এৱার্দ ওন্থোকখি। মদুদি- **দি লিন্দবর্গ কিদনেপ্পিং কেস (১৯৭৬)** অমদি **দি বঙ্কর (১৯৮১)** অসিনি। মসিদা নত্তনা জ নেলিটে ফিল্ম এৱার্দ, ক্রিটিক্স এৱার্দ তোঙান তোঙানবা নোমিনেসন ৪৬ ফংবগী মনুংদা এৱার্দ ৪০ অমসু ফংবা ঙমখ্রে।

- *নানি*

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৪। ১১। ২০২১ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৫.৫৫ ফাওবা হিয়াঙ্গেগী ১০ নি পাল্লি, মতুং ১১নি পাল্লনি।



মেষ: অয়ুক পুং ১০ ফাওবা ওইজ-ওইথক ফংগনি অনৌবা থবক পাঙবা য়াগনি। ইমুং-মনুং তান্নরগা পাঙবা থবক খুদিং মায় পাক্কনি। মীতোপতি থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।



বৃষ: থবক্কী পাউ নুংঙাইগনি অমদি শেল-থুমগী লমদা নিংবা থুংগনি। মীয়াম্না চানবীবা অমদি অহেনবা তানবদা চাওনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। খুৎচাও থাহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।



মিথুন: পুং ১০গী তুংদা মীপাইরম্বা কোক্কনি অমদি লাইবক ফবা মরমশিং লাক্কনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি ঙাং-শকপা হৈবদি ৱাৎকনি। ফিংবসু য়ারোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।



কর্কট: মীংচৎনা হেনগনি অমদি ঙাং-শকপদা নত্তনা শিন-লাংবসু হৈগনি। অফা অপুনগী থবক্তি হান্নগুম য়াওরুগনু। খাঙবা কল্লু অমদি থিজিনবা লেপকনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।



সিংহ: অয়ুক্তদি চাওনা মায় পাক্কদবা খোঙশাল লৈ, চিংনগনু। মীয়াম লোয়নবা কান্নগনি অমদি পাংঙমদবা থবক পাঙবা ঙমজগনি। মীনসু লাকচরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।



কন্যা: মায় পাক্কনি, নিংজবা ফংগনি অমদি মীচঙ হেনগৎকনি। অদুবু খোয়রাংবা অমদি অনম তানবদি য়াদবা নুমিৎনি, নোল্লুক্না চৎলু লন ময়েং তারোই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা।



তুলা: অয়ুক্তা নুংঙাইরমদ্রসু থেংলপ্পা নিংবা থুংগনি অমদি অনিংবা থবক পাঙবা ঙমগনি। অশাওবা অমদি চিন্দা পাউদনবনা মাঙজবদি লৈগনি। ঈংথনা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।



বৃশ্চিক: য়েৎনবদা মায় পাকচবা, থিজিনবগী কান্নবা ফংজবা অমদি মরুপ মপাংশিংদগী কান্নবা শোয়দনা ফংগদবা নুমিৎনি। নচাক নরলদি পঙলদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।



ধনু: অয়ুক্তা নিংবা থুংগদবা অমদি ওইজ-ওইথক ফংগদবা খোঙশাল লৈ। মীয়াম্নদি চানবীগনি অমদি পল্লম্বা কয়াসু পাঙগনি। লাই-গুরুনা চানবীগনি, নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।



মকর: পুং ১০দগী নিংবা থুংগনি অমদি মীচঙ হেনগৎকনি। ৱাখল থোক্কনি অমদি নিংবদুমক মীনা ইনশিনবা ঙায়দনা পাঙবা য়াগনি। য়েক্লবা লৈরোই, নুংঙাই গনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।




কুম্ভ: অয়ুক্তা নিংবা মপা চাগনি অদুনা পুং ১০গী মমাংদা থৌ পাঙহৌবা অশিংবা ওইগনি। লৌশিং ৱাৎপা অমদি খুৱৌ থাংবদি লৈগনি, অখঙ অহৈগী ৱা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাংবা লুই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক/অশংবা।



মিন: থেংলপ্পা নিংবা থুংগনি। নথক থোংবনদি য়াই অমদি মীয়ামগী মতেং পাল্লদি ফংগদবা নুমিৎনি। থাজদবা নুংঙাইবা পাউ ঙসিসু তাই অমদি শেল চঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



## হুইয়েন জোক্স

করি হায়বা নচানুপী চেনখ্রে হায়বা!
ও! মোই বা- ঐগা চাক্কৌবা হনমিন্নরকপনি। অমুক তুমিন্না থোকখ্র মাল্লে?
ইপামদসু নচানুপীদু ইরাং য়াম্না তৌখি।
করি ইরাং?
হো ইবুংগী মচানুপী চাক্কৌবা লাকপদু য়াম্না ফজে মথং চহীগী চাক্কৌবদা মাসু কেরগা য়ুমদা লাক্কনি...!

- - - - - - - - - - - -

মপুরোইবা : অঙাং অসি কপ্পক্লিসে কয়াম কুইরে। নাউশুম ইশৈ শক্তুনা তুমহনবা য়াদ্রা?
লোয়নবী : নাউশুম ইশৈ শকপদা লৈকায়গী মীওইশিংনা ইতৈমা নাউশুম ইশৈগী মহুৎতা অঙাংদো অদুমক কপহনবিয়ু হায় ...!!

- - - - - - - - - - - -

মচানুপা : পাবুং কারগী শো অমুক্তা পীবিয়ু। ঐ কোলেজগী ফঙ্কসন অমদা চৎকে।
মপা : করিগী কার পুগদৌরিবনো?
মচানুপা : লুপা লাক্ষ ১৫ পীবা কারদু পুরবদি মীয়াম্না ঐবু য়াম্না লুম্না লৌবিগনি।
মপা : লুপা ৫০ অসি লৌরো অদুগা বসতা চৎলু। লুপা লাক্ষ ৩০ পীবা বসতা চৎলবদি অমুক্না হেন্না মীয়াম্না লুম্না লৌবা হেনগনি ...!!

- - - - - - - - - - - -

পল্স পোলিওগী হীদাক কাপথোক্লবা টিম অমা লাক্লম্মী।
মপুরোইবনা মাগী নুপীদা নোংমৈ অমদি মরু কদাইদা লৈ হংবদা পোলিওগী মীওইশিং অদু চেন্নখিরম্মী।
নুপী অদুগী মপুরোইবা অদুনা লাউরদুনা হায়রকই, 'নোংমৈ অমদি মরু হায়রিবসি ইচাশিংগী মমিংনে ...!!'

- - - - - - - - - - - -

নুপী অমা পেট্রোল পম্পদা থাউ হানবা লাকই।
নুপী : পেট্রোল লিটর অমদা লুপা কয়া পীরিবগে?
থাউ হানবা নুপা : লিটর অমদা লুপা ১০০ নি।
নুপী : থাউগী মমল ঐঙোন্দা হেন্না হায়জিনগনু চুম্না হায়য়ু নাকন্দা লৈরিবা অসিদদি লিটরদা লুপা ৯১ পীরি।
থাউ হানবা নুপা : মেদাম নাকন্দা লৈরিবা অসিদি দিজল থাউগী পম্পনি ...!!

- - - - - - - - - - - -

মীৎকী দোক্টর অমনা মীৎ য়েংবা লাকপা নুপী অমদা হায়- মেদাম ঐঙোন্দা নহাক্কী নপুরোইবদা য়েংবা মীৎয়েং অদু য়েংলকউ।
নুপী : করিগীনো ?
দোক্টর : মীৎতা আই দ্রোপ হাপকে তৌবনি ...!!!

- - - - - - - - - - - -

মপা অমনা মচাদা ইবুংঙো এগজাম পাস তৌরবসু নৎত্রগা ফেল চৎলবসু গাড়ি মচা অমদি শোয়দনা লৈবিরগনি।
মচানুপা অদু হরাউরদুনা হংলকই - অশেংবরো পাবুং?
মপা : হোয় চুম্মী, পাস তৌরগনা কোলেজ চৎনবা য়ামহা বাইক লৈগনি অদুগা ফেল চৎলগনা শঙ্গোম য়োন্নবা লুনা অমা লৈবিগনি ...!!!

- - - - - - - - - - - -

মপা : ইবেম্মা নঙ হয়েং চাওরগা করি থবক তৌগনি?
মচানুপী : লুহোংগনি পাবুং।
মপা : মদু য়াম্না লানবা ৱাফমনি, হৌজিক্তগী হৌনা মীগী মাঙনবা ৱাখল খনগনু ...!!

- - - - - - - - - - - -

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title : Shinchen
By : Aarushi Kh.
Class : II Sec : Rose Roll : 39
School : SL Arena of Learning



Title : Venom
By : Balaram Pukhrambam
Roll : 4 Sec : Lotus
School : Kids Arena, Kongpal Khaidem Leikai



Title : A Sunny Day
By : Chinganbam Priyathoi Devi
Class : IV Sec : A Roll : 5
School : Hikalol Laisu Shang



Title : Tajmahal
By : Deepsica Pangambam
Class : IV
School : Eden Public School




Title : House in Hills
By : Keisham Nungshithoi
Class : III Sec : A Roll : 8
School : Memorial Model Academy



Title : Landscape
By : L. Lanchenba
Class : IV Sec : Jasper
School : Heritage Convent



Title : XLRZ
By : Lenin Mangang
Class : IV Roll : 17
School : The Young Star Dynamic English School



Title : Scenery
By : Malemnganba Laishram
Class : III Roll : 3
School : Manipur Star



Title : Inosure
By : Mangal Maisnam
Class : III Sec : A Roll : 5
School : The Combined English School



Title : Friday Night Funkin Buttead
By : Osburt Phamdom
Class : KG
School : Don Bosco High School, Langjing




Title : Scenery
By : Takhellambam Damini
Class : K.G. Sec : Lotus Roll : 4
School : SL ARENA OF LEARNING



Title : Car on Muddy Road
By : Thoithoiba
Class : Nursery
School : Shishu Nistha Niketan



Title : Duck
By : Thoudam Abenao Devi
Class : III Sec : A Roll : 6
School : Loyola School



Title : Pine Apple
By : Thoudam Protein Singh
Class : I Sec: A Roll : 3
School : Iboton Memorial Kid's Center



Title : Panguin
By : Thoudam Surjakanta (Bodee) Singh
Class : III Sec : A Roll : 3
School : Maheileikon Kids Foundation



Title : Deer
By : Yumnam Deina
Sec : VII
School : The Comprehensive School, Oinam

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।